# চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ কার্দ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা বেনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা দেপ্যুটি কম্মিস্নার এ সুভাসকী মীৎয়েং মখাদা য়াম্না অথুবা মতমদা এক্সন লৌখৎতুনা এপ্লিকেসন থারকখিবা নুমীৎ নীনিগী মতুংদা বেনিফিসরি মরিদা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (সী এম ঐচ টি) কার্দ য়েন্থোকখ্রে হায়না থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসরগী ওফিসকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



হৌখিবা থা অসিগী জুলাই ১৫দা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর থৌবালদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী নুমীৎতা স্কিম অসিগীদমক এপ্লিকেসন ১৭ পীশিল্লকখিবা থেংনখি। পীশিল্লকখিবা এপ্লিকেসনশিং অদু দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী মীৎয়েং মখাদা ভেরিফিকেসনগী থবক চথুরি। ভেরিফিকেসনগী থবক অসিদা করিগুম্বা হেল্থ কার্দ ফংফম থোকপা মীওইশিং য়াওরল্লবদি সী এম ঐচ টি কার্দ শোয়দনা পীনবা হোৎনগনি।

সী এম ঐচ টি কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার এ সুভাসনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংগী ফীভমগী মতুংইন্না সী এম ঐচ টি কার্দকী তঙাইফদবা লৈবা মরম্না অথুবা মতমদা থাজিল্লকখিবা এপ্লিকেসনশিং ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুংদা হেল্থ কার্দ অসি পীনবা থৌরাং তৌরগনি। অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী ষ্টাফশিংনা থৱায় য়াওনা কোওপরেসন পীবীরিবা অসিসু থাগৎলি হায়খি।

ঙসিগী কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা সী এম ঐচ টি কার্দ ফংলবা বেনিফিসরি খেকমনদগী এ জয় কৌবা মীশক অমনা মথৌ তাবা হেল্থ কার্দ অসি অতেনবা মতমদা পীবীবগীদমক দেপ্যুটি কম্মিস্নার অমদি ষ্টাফশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মসিনা লৈত-লায়রবা ইকনমিগী ফীভম ফৎত্রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা কার্দ অসিনা অচৌবা মতেং অমা পীবা হায়বদু ওইরগনি। হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদদি লৈত-লায়রবনা মরম ওইরদুনা কার্দ অসি ফংনবা হোৎনবা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। অদুবু ঙসিদি কার্দ অসি য়াম্না লায়না অতেনবা মতমদা ফংলবা হায়বদু ওইরবনিনা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা কার্দ অসিনা পীরিবা খুদোংচাবশিং ফংবা ঙমদুনা নুংঙাইবা, নাদ-য়েক্তবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা সী এম ঐচ টি কার্দ ফংদ্রিবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা হেল্থ কার্দ অসি লৌনবা হোৎনবদা তঙাইফদবা দোক্যুমেন্টশিং সবমিট তৌদুনা সী এম ঐচ টি কার্দ অথুবা মতমদা ফংদুনা স্কিম অসিগী কান্নবা লৌবীহৌ হায়নসু আপীল তৌখি।

# উশম মংলেম্বীদা পারী ইমোম গ্রুপনা তেংবাঙখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) : মশাগী চহী ৫৮ শুরবী কোম্থা অহল্লুপ মখা লৈকায়দা লৈবী স্পাইনেল কোর্দতা নাবদগী হৌজিক হৌজিক অনা-লায়েং চথুরিবী উশম মংলেম্বীগী অৱাবদা মতেং পাংবা ওইনা ঙসি পারী ইমোম হায়না মিংথোনবা ফেসবুক অমনা শেলগী মতেং পাংখ্রে হায়রি।

উশম মংলেম্বী হৌখিবা চহী খরদগী মহাক্কী স্পাইনেল কোর্দতা নারকপদগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়েংদুনা লাকখিবনি। অদুবু অরুবা লায়না অমা ওইবনা ঙসি ফাওবা মপুং ফানা ফবা ঙমদবদগী হৌজিক হৌজিক অনা-লায়েংবগী থবক চথুরি। হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা অনা-লায়েংদা মতেং ওইনবা হায়দুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনসু লুপা ১,৬০,০০০গী শেলগী মতেং পাংবীখিবসু লৈখ্রে। অদুবু অরুবা অনাবা ওইবা মরম্না মখা তানা লায়েংনবা হোৎনবদা হৌজিক হৌজিকসু অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরি।

অনা-লায়েংগী মখা তারকপা ওইনা ওপরেসন অমা তৌদবা য়াদে হায়রক্লবসু শেল লৈতবনা হৌজিক ফাওবা ওপরেসন তৌবা ঙমদনা লৈরি। মরম অদুনা লৈবাক মীয়াম্নসু মহাক্কী অসিগুম্বা অৱাবা অসিদা অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা কনাগুম্বা পুকচেল চাউরবা মতেং পাংবীনিংবশিংনা ৯৬১৫৫১৭১২৪ দা পাউ পীবীরকউ হায়রি।

# অক্কা সলামবু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক্লা হন্দক্তা নৌনা খল্লকপা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম এস সী দব্লিয়ু)গী চেয়রপর্সন ওইনা খল্লকখিবা অক্কা সলাম ঙসি অহানবা ওইনা জোইন্ট তৌখিবগা লোয়ননা কম্মিসন অসিদা লৈরিবা মেম্বর থুমলিপ টিনিংফম মোন্সাং, লৌরেম্বম দয়াবতি, টি চোংসিন কোইরেং অমসুং ষ্টাফশিংনা তরাম্না ওকখ্রে হায়না এম এস সী দব্লিয়ুগী মেম্বরগী মায়কৈদগী থাদোরকপ চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, এম এস সী দব্লিয়ুগী চেয়রপর্সন ওইনা খল্লকখ্রবা অক্কা সলামনা জেইন্ট তৌরকখিবা অসিনা ৱিমেন কম্মিসনগী থবক থৌরমশিংদা হেন্না খুম্মাং চাউশিনবা খক্তা নত্তনা মণিপুরদা লৈরিবা শোথরবা নুপীশিংগীদমক্তা হেন্না অচৌবা থবক পাঙথোকপা ওইরসনু হায়নসু মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী মেম্বরশিংনা য়াইফ থৌনিজরি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

# এস দি এ ওনা জিরিবাম দি সী কমপ্লেক্সতা য়ুরিয়া হার য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস): দেপ্যুটি কম্মিস্নার জিরিবাম দব্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈ, আই এ এসকী মীৎয়েং মখাদা এস দি এ ও জিরিবাম অথোকপম সনাতোম্বীনা জিরিবামগী লৌমীশিংদা য়ুরিয়া হার ঙসি চীংদোং লৈকায়দা লৈবা দি সী কমপ্লেক্সতা য়েন্থোকখ্রে।

য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী এস দি এ ও জিরিবাম অথোকপম সনাতোম্বীনা ফোঙদোকখিবদা, জিরিবামদা হৌখিবা মতমশিংদা অমুক্তসু য়ুরিয়া হার অসি য়েন্থোকখিদ্রি। অদুবু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফার্মরশিংগী মায়কৈদগী দিমান্দ লাকপদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লৌমীশিংদা য়ুরিয়া হার ফংহন্নবা হোৎনদুনা ঙসি য়ুরিয়া হার অসি লৌমীশিংদা খরদং ওইরবসু পীজবনি। তশেংনা হায়রবদা য়ুরিয়া হারগী মতাংদা জিরিবামগী পীফম থোকপা এলোকেসন অদু ফাওবা ককথৎলগা লৈরম্মী। মদুনা মরম ওইরগা জিরিবামগী মীয়াম্না মরুওইনা লৌমীশিংনা অপেন-পেন্দা কয়া লৈরবসু এস দি এ ও ইশামক য়াওনা হীরম অসিগী মতাংদা অফ-ফত্তা খন্ন-নৈনদুনা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নসি। তশেংনা য়ুরিয়া হার অসি জিরিবামগী লৌমীশিংদু য়াম্নমক মথৌ তারিবনি। জিরিবামগী মীওইশিংনা ফংফম থোকপা য়ুরিয়া হারগী এলোকেসন অদু করি মরমগীদমক ককথৎলগা লৈরমখিবনো হায়বগী মতাংদসু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম্মকপু হন্দক লৌমীশিংনা দিমান্দ তৌরকপদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লৌমীশিংদা হার য়েন্থোকপনি হায়খি।

# লিংজেল ভি এল এফনা শীন্দুনা থরোদেবী কম্যুনিটি হোলদা ভি পি আর পি এচিভমেন্ট মেলা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) : লিংজেল ভি এল এফ খুরাই নান্দৈবম লৈকায় জি পিনা শীন্দুনা মৈরা পায়বী ষ্টেটচুগী মনাক্তা লৈবা খুরাই থরোদেবী কম্যুনিটি হোলদা কম্যুনিটি লিদ কনভর্জেন্স টুৱার্দস ইনহেন্সিং ইন টাইটলমেন্ট এক্সেসিবিলিটি হায়বা থীমদা ভি পি আর পি এচিভমেন্ট মেলা অমা পাঙথোকখ্রে।




খুরাই থরোদেবী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ভি পি আর পি এচিভমেন্ট মেলাগী থৌরম অদু মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন (এম এস আর এল এম)গী পি আর আই-সী বি ও কনভর্জেন্স প্রোজেক্টনা প্রমোট তৌদুনা পাঙথোকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না খুরাই নান্দৈবম লৈকায় জি পিগী লিংজেল ভি এল এফকী মেম্বরশিংনা পুথোকপা তোঙান তোঙানবা মখলগী ফিরোলগী প্রদক্টশিং মেলা অদুদা উৎখি। মেলা অদুগী শরুক অমা ওইনা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯গী ভুষ্টর ভেক্সিন কাপথোক্লবগী ষ্টোলশিং য়াওবগা লোয়ননা ভোটর আইদেন্টিটি কার্দ শেমদোকপা, আধার কার্দ শেমদোকপা, ভি এল এফকী থৌমীশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী বেঙ্কশিংনা পীরিবা ইন্স্যুরেন্স পোলিসীশিংগী মতাংদা তাকপী তম্বীনবগীদমক বেঙ্ককী মায়কৈগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি। লিংজেল ভি এল এফকী থৌমীশিংনসু মখোয়গী এচিভমেন্টশিং মীয়ামদা পাউদমখি।

# সনাজাওবগী ইমুংদা এল এম জিনা তেংবাঙখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) : লম্বীগী এক্সিদেন্টতা শোকপদগী অৱাফমদা তাদুনা লৈরিবা কুম্বী এ সীগী তোর্বুং গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চনবা ৱাইখুরোক্তা লৈবা নাওরেম সনাজাওবগী ইমুংদা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা লুপা ১২,৫০০ তেংবাঙদুনা ইমুং অসিগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে হায়রি।

তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অদুদা এল এম জিকী সেক্রেটরি সোরোখাইবম ওজিৎ, কে কে ৱাহেংবম, ডা. মাইবম ইতীন, সোবিতা মাইবম, কুঞ্জেশ্বর মংশাতাবম, সুরেন্দ্র নিঙোম্বম, রঘু তোংব্রম অমদি বোইনাও মাইবমনচিংবা গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি হায়না এল এম জিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা এল এম জিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা হায়খি, ঙসিদগী চহী ১০গী মমাঙদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা শোকখিবদগী লেঙবা ওৎপা ঙমদনা ফমুংদা য়াতাদুনা য়াম্না ৱানা পুন্সি লেন্দুনা লাক্লিবা নাওরেম সনাজাওবগী অপোকপসু অমদি মনাওনুপাসু তাইবংপান থাদোকখ্রে। অপোকপীসু ৱাখল লায়নানা নাবী মীশক অমা ওইনা লৈরি। অসিগুম্বা ইমুংশিংদা অঙম্বা তেংবাঙজখিবনি হায়রি।

# 'জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অথুবদা শেম্বীয়ু'

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) : জিরিবামদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল/ফিফটি বেদেদ হোস্পিটাল হায়না খঙনরিবা অসিগী চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা য়াম্না মরুওইরিবা লম্বী অসিগী ফীভম ফৎতনা লৈরিবা অসি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা শেমজিনবীয়ু হায়না দেসাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল জিরিবামগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম বিলাক্সনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী হোস্পিটাল অসিগী লম্বী শেম্বীয়ু হায়না তোঙান তোঙানবা লৈকায়গী মীয়াম্নসু খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবশিংনা শেমজিনবীদ্রি। লম্বী শেম্বীগনি হায়না কম্মিটমেন্ট পীবগী মহুৎতা থবক্তা ওইনা ওন্থোকপীয়ু। পনবা য়াবদি, হৌখিবা ইলেক্সনগী কেম্পেয়ন কয়াদা মপী-মপা ওইবশিংনা লম্বী-থোংগী ৱাফম কয়া পন্দুনা হায়বীরল্লবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোরকপদি উদ্রি। নেসনল হায়ৱে ৩৭তগী উচাথোল ফাওরগা নীংশিং খুলদা লৈরিবা হোস্পিটালগী লৈরিবা লম্বী লোয়ননা মহৈকোল, লম্মৌপোকপী অমদি অগ্লাপুরদগী হোস্পিটাল ফাওবগী লম্বীশিংগী ফীভম অদু দেসাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল জিরিবামনা চৎতুনসু য়েংশিনখি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

# পূক কা-হেন্না নোয়বশিং

লৌশিং পুক্কে

## মনুং মতম চাদনা হার্ট এট্টেক তৌরগা শিবা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ

কা হেন্না য়ু থকপা অমসুং ভাইরেল হেপাটাইটিস ইনফেক্সন খক্তনা লিভর কেন্সর ওইহল্লকপা নত্তে। পুক নোয়বা (খ্বাঙ চাউবা) হায়বসিসু লায়না অসি ওইহল্লক্লবগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। অমেরিকান কেন্সর সোসাইটিগী রিছার্চর পিটর কেম্পবেলনা হায়খি, খ্বাঙ চাউবা ইঞ্চি ৫ হেনগৎলকপা মতমদা লিভর কেন্সরগী রিস্ক চাদা ৮ হেনগৎলকই। তৌবগীবুদি য়ু কা হেন্না থকপা, ভাইরেল হেপাটাইটিস ইনফেক্সন অমসুং পুক নোয়বা অসিনচিংবা পুম্নমক লিভর কেন্সরগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টর ঙাক্তনি।

লিভর কেন্সর হায়বসি হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হেনবগা লৈনবা লায়না ওইবা মরম্না মীপুম খুদিংমক মশা-মশাগী চহী মতাং অমদি মরেপকী মতুংইন্না হকচাংগী অরূম্বা চপ চানা থম্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। অমেরিকান কেন্সর সোসাইটিনা হায়খি, মালেমদা হৌজিক লিভর কেন্সর নাবগী চাং ৱাংখৎলকপগী মরুওইবা মরমদি হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপা অমসুং দাইবেটিসকী কেস হেনগৎলকপননি। ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা রিছার্চরশিংনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই মিলিয়ন ১.৫৭ কী অৱাংবা, হকচাংগী অরূম্বা, য়ু থকপগী মওং, মৈখু শীজিন্নবা নৎত্রগা শীজিন্নদবগী মওং অমদি অতৈ কেন্সরগী রিস্ক ফেক্টরশিং কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা পুক নোয়বা মীওইশিং লিভর কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকই হায়বা রিছার্চরশিংনা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি।

অমরোমদা, হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপা য়াই হায়বসি হান্নদগী খঙনদুনা লাক্লবা ৱাফমনি। অদুবু অনৌবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না পুক নোয়বা মীওইশিং মনুং মতম চাদনা হার্ট এটেক তৌরগা শিবা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়রি। 'জর্নেল ওফ দ অমেরিকান কোলেজ ওফ কার্দিওলোজি'দা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, নুপাগীনা ইঞ্চি ৪০ খ্বাঙ চাউবা অমসুং নুপীগীনা ইঞ্চি ৩৫ খ্বাঙ চাউবা তারবদি হার্ট এটেক নৎত্রগা অতৈ থম্মোয়গী লায়নানা মরম ওইরগা মনুং মতম চাদনা শিবা য়াবগী রিস্ক চাদা ৭০ রোম হেনগৎলকই। খ্বাঙ চাউবগা লোয়ননা বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) ৱাংলবদি অমুক্কা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওই।

মীওইবদা ভিসরেল অমসুং সবক্যুটেনিয়স হায়দুনা ফেট মখল অনী য়াওই। সবক্যুটেনিয়স ফেটতি উনসাগা হেক তাইননা লৈ। অমরোমদা, ভিসরেল ফেটতি লিভর, হার্ট অমসুং মশল য়াওবা মরুওইবা ওর্গানশিংগী অকোয়বদা লৈ। ভিসরেল ফেটনা টাইপ-টু দাইবেটিস, হার্ট দিজিজ, ষ্ট্রোক অমসুং অতৈ ক্রোনিক দিজিজ কয়া ওইহল্লকই। ভিসরেল ফেটকী চাং ৱাংলবদি ব্লদ প্রেসর অমসুং কোলেষ্টরোল ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ভেস্কুলর দিজিজ, এথরোসক্লেরোসিস (ঈ উতোং কনশিল্লকপা) অমদি হার্টকী ৱাল থাগৎলকপনচিংবা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌওং কয়া ওইহল্লকই। পুক নোয়বা, খ্বাঙ চাউবা তারবদি দাইবেটিসকী রিস্ক ৱাংখৎলকই। ভিসরেল ফেট অসি পুক্কী শরুক্তা নম্না লৈ হায়বগীদমক 'বেলি ফেট' হায়নসু খঙনৈ। ময়াং কংবা মীওইসু পুক নোয়বা য়াওই। ভিসরেল ফেট য়াম্না য়াওবদগী পুক নোয়খৎলকপনি। জর্নেল ওফ দ অমেরিকান কোলেজ ওফ কার্দিওলোজিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ময়াং কংনবা নৎত্রগা মশা নোয়বগী ৱাফম্না তোখায়না থমখ্রগা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরিবসি পুক নোয়বনি। পুক নোয়রবদি হার্ট দিজিজ য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই।

নুপাগী ওইনা ইঞ্চি ৩৭ তগী ইঞ্চি ৪০ ফাওবা খ্বাঙ চাউরবদি ওভরৱেথ ওইরে হায়না লৌনৈ। ইঞ্চি ৪০ দগী হেনখ্রগনা ওবেস ওইরে হায়না লৌনৈ। নুপীগী ওইনদি ইঞ্চি ৩১.৫ দগী ইঞ্চি ৩৪.৬ ফাওবা খ্বাঙ চাউরবদি ওভরৱেথ অমসুং ইঞ্চি ৩৪.৬ হেল্লগনা ওবেস ওইরে হায়না লৌই। মীওইবনা কয়া য়াম্না চাশিনবগে অমসুং ফেট কয়া য়াম্না তুমহনখিবগে হায়বদু ফেট সেলনা থাদোরকপা হোর্মোনশিংগী মখা পোল্লি। হায়রিবা হোর্মোনশিংগী মনুংদা লেপটিনসু অমনি। লেপটিননা অরাম খৌরাংবা পোকহনবগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা ফেট তুমহনবদা মতেং পাংই। ফেটকী শরুক তুমহনখিবা মরম্না হকচাংদা ফেট তুংদুনা লৈহন্দে। চিনিগী শরুক কা হেন্না চারবদি হকচাংদা ইনফ্লেমেসন থোকহনবগা লোয়ননা ফেট সেলশিং শেমগৎলকই। পেকেটতা হাল্লগা য়োল্লিবা অচাপোৎ অমদি সোফ্ট দ্রিঙ্কশিংদা চিনিগী শরুক কা-হেন্না য়াওই। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি তোয়না শীজিন্নরবদি হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপগা লোয়ননা পুক নোয়থোরকই অমসুং য়ুরিক এসিদ ৱাংখৎলকই।

চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি ইনফ্লেমেসন থোকহনদবগা লোয়ননা ভিসরেল ফেটকী শরুক হন্থহল্লি। অদুম ওইনমক হকচাং শাজেল তৌবখক্তনা ফেটকী শরুক হন্থহনগদবা নত্তে। চাবা থকপদা চেকশিনবসু মথৌ তাই। ময়াং কংবা অমদি হকচাংগী অরূম্বা শুদবা মীওইশিংদসু ভিসরেল ফেটকী শরুক য়ামখৎলকপা য়াই। মপান থোংদগী য়েংবদা ময়াং কংবা মাল্লগা অকোয়বদা ভিসরেল ফেট পৈশিল্লকপা য়াওই। খ্বাঙ অমদি পুক্কী শরুক্তা নোয়বা মীওইশিংদা ভিসরেল ফেটকী চাং ৱাংনা য়াওরবনি। মসিনা তোঙান তোঙানবা লায়না ওইহল্লকপগা লোয়ননা খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই। ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাং শাজেল তৌদবা মীওইশিংদি থা ৬ কী মনুংদা ভিসরেল ফেট চাদা ৮.৬ লোম হেনগৎলকই। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরগনা সবক্যুটেনিয়স ফেট অমসুং ভিসরেল ফেট চাদা ৭ হন্থখি। ভিসরেল ফেটকী চাং ৱাংখৎলক্লবদি লিভর কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকপা মরম্না মীপুম খুদিংমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

অমেরিকান কেন্সর সোসাইটিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কেন্সর ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবদগী পুক অনোয়বা হন্থহনবনা হেন্না মরুওই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।০৭।২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা;
অয়ূক্কী পুং ৮.১২ ফাওবা ইঙেনগী ২১নি পাল্লি, মতুং ২২নি পাল্লনি।

মেষ: মীয়াম্না য়াবা, লন চাওখৎপা, ইমুং-মনুং নুংঙাইনা লৈজবা, নচা-ননাই চাওখৎপা, পাইরক্কী লৌশিং চাওবা নুমিৎনি। পুক্লিংদা চিংনবা অমদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: থবক পাঙগনি, ৱাখল থোক্কনি, শেল-থুমগী লমদা মায় পাক্কনি, অকিবা লৈতনা ওইজ-ওইথক তানবা য়াগনি। মরুপ মপাংনদি নচাক নরলদা মীতাই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিথুন: মিংচৎ ফংবা, হকচাং নুংঙাইবা, মরুপ মপাংগী মতেং ফংজবা অমদি তুংগী পোরম শীল লাঙবা হৈবা নুমিৎনি। পল্লম্বা শেল ফংগনি, য়েক্লবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাঙতক্লবা ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: অঙম্বনা চানবীগনি, লৌশিংনা ওইজ-ওইথক তানবদা মায় পাক্কদবা অমদি কিদবনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। য়েৎনবা য়াবা মরমদদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা শেন্দোং ফংগদবা নুমিৎনি। মীয়াম্না য়াগনি, কনানসু লাকচবা ঙল্লোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: মায় পাক্কদবা নুমিৎনি অদুনা অনৌবা অফবা থবক/লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা মতাং চাগনি। অকল অথৌ অমদি অরং-অরাক্কী লমদদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাঙবা লুই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

তুলা: নথক থোংবগী ৱা তারগা থৌপাঙবা ফগনি, চাদিং হন্থগনি, মীংচৎ ফংজগনি, মীবু পেলহনবা হৈগনি। অফা অপুন্নবা/য়েৎনবগী লমদদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক: থাজদনা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজবা, লমদগী কান্নবা ফংবা, অনৌবা অফবা মী খঙনবগী নুংঙাইবা লৈ। লেঙদবা লন ফংগনি। মীয়াম্নদি ৱারৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: নীংবা থুংগনি, অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং চঙবা কান্নগনি, নীংথিনা খন্থরগা পাঙবা থবক থৌরম মায় পাক্কনি। নাপল অমদি নচা-ননাইনা মাঙহনবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মকর: থৌনা লৈয়ু, অকিবা থাদোকউ অমদি মরুপ মপাংগী ৱা তাউ শোয়দনা মায় পাক্কনি। ৱা য়াম্না ঙাংবা অমদি য়েৎনবদি মাঙজগনি-খাঙবা খরদি কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা /কিসমিস

কুম্ভ: হরাওবা, নীংবা থুংবা, য়েক্লববু ঙম্বা অমদি লেঙদবা লন ফংবগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। থাজদবা মফমদগী কান্নবা য়াম্না ফংগনি অমদি লম চৎপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: মীয়াম্না হান্নগুম য়াগনি, নঙগী ওইবা মীশিং লোয়নৌ অমদি অফবা মফম ফংজগনি। হুরানবনা তাথিবা অমদি মরুপ মপাংগা ৱাখল তান্নদবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



HL-P/32679/9-23